# শ্রীজেশনা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা লুচিংগনি

## টিমদা মণিপুরগী কোথাজিৎ সিংহ, চীংলেনসন্না সিংহ য়াওরে



বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ০৬ :

গোলকিপর পি আর শ্রীজেশনা মেম্বর ১৮ না শাবা ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিমবু মালেসিয়ানা য়ুম্ভু ওইদুনা মসিগী কুন্টানদা ওক্টোবর ২০ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মরিশুবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি (এ সি টি) দা লুচিংদুনা শরুক য়ারুগনি।

লীদরশিংগী গ্রুপ অমা শেম্নবা পান দমদা হোকি ইন্দিয়াগী সেলেক্টরশিংনা মশাগী চহী ২৪ শুরবা মিদফিল্ডর মনপ্রীট সিংহবু এস ভি সুনিলগী মহুত্তা টুর্ণামেন্ট অসিগীদমক টিমগী ভাইস কেপ্টেন ওইনা হাপখি। মণিপুরগী কোথাজিৎ সিংহবু দিফেন্দরগী দাইত্ব লৌহনখিবগা লোয়ননা মিদফিল্ডরদা চীংলেনসন্না সিংহ কাঙুজমবু থৌ পুহনখি।

দিফেন্দর জাসজিৎ কুলরনা স্কাদতা অমুক হন্না হল্লকপা ঙমখি অদুগা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ভি আর রঘুনাথনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী পোথাখি। মতম শাংনা অশোকপা লৈবদগী শান্নবা য়াওদনা লাকখিবা বিরেন্দ্রা লাক্রানা টিমদা অমুক হল্লকপা ঙমখি। মশাগী খুউদা শোকখিবদগী রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা ঙমখিদবা লাক্রানা ইন্দিয়াগী দিফেন্সতা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা রুপিন্দর পাল সিংহ, কোথাজিৎ সিংহ, সুরেন্দর কুমার অমদি পারাদিপ মোরগা পুন্দুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

ইন্দিয়াগী মিদফিল্ডদা চীংলেনসন্না সিংহ কাঙুজম, মনপ্রীট, সার্দার সিংহ, এস কে উটাপ্পা অমদি দেভিন্দর ৱালমিকিনা অহকপা থৌদাং লৌগদৌরি। ফোরৱার্দ লাইনদা সাভির্সেসকী অকশদিপ সিংহ অমদি রমনদিপ সিংহ য়াওররোই। মখোয় অনী পোথাদুনা লৈরি। দো অনী অসিগী মহুত্তা টালৱিন্দর সিংহ অমদি ললিট কুমার উপাধয়ানা মহুৎ শিনখি। গোলকিপরদা শ্রীজেশকী মথক্তা নহা ওইরিবা অকাশ দিকটেসু স্কাদতা য়াওরে।

রিও ওলেম্পিক্স পাঙথোকখ্রবা মতুং থা অনী লৈরগা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপাগী এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিদা শরুক য়াগদবা লৈবাকশিং অদুদি ইন্দিয়া, কোরিয়া, জপান, চিনা, য়ুম্ভু মালেসিয়া অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়নদা পাকিস্তাননি।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ রোলেন্ট ওল্টমান্সনা হায়খি, এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসি ঐখোয়গীদি মরু ওইবা টুর্ণামেন্ট অমনি অমদি মসিনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা মতেং ওইগদৌরিবনি। ইন্দিয়ান ট্রোফি অসি লৌগনি হায়বগী ফেভোরাইটসু ওইরিবনি। টিম অসি ওলেম্পিক গেমসতগী হল্লক্লবা মতুং অকনবা ট্রেনিং তৌদুনা লাক্লি অমদি সিজন অসিদা মায় পাক্লা হৌনবগীদমক খৌরাংনা লৈরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ওল্টমান্সনা হোকি ইন্দিয়াগী হায় পার্ফোর্মেন্স দিরেক্টরসু ওইরিবনি।

শ্রীজেশনা হায়খি, টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিং লায়না লৌবা য়াদ্রি। হৌজিক ঐখোয়না এসিয়াগী ওইনা টোপ রেঙ্কতা লৈবা টিম ওইরবসু টিম অমত্তবু লায়না লৌবদি লৈতে। দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স পাকিস্তান্না অঙকপা মওংদা হেক্তমক নিংথিনা নৎত্রগা থিনা শান্নবা ঙম্মী। অদুগা কোরিয়ানা ক্কালিটি লৈবা হোকি মেচশিং শান্নবা ঙম্বনা লায়না লৌবা য়াদ্রি হায়না মহাক্না হায়খি।

ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৮ না শাবা স্কাদতা য়াওরিবা মেম্বরশিং অদুদি গোলকিপরদা পি আর শ্রীজেশ (কেপ্টেন), অকাশ চিকটেনি। দিফেন্দরদা লুপিন্দর পাল সিংহ, পর্দীপ মোর, জাসজিট সিংহ কুলর, বিরেন্দ্রা লাক্রা, কোথাজিৎ সিংহ, সুরেন্দর কুমারনি। মিদফিল্ডরদা চীংলেনসন্না কোন্থৌজম, মনপ্রীট সিংহ (ভাইস-কেপ্টেন), সরদার সিংহ, এস কে উথাপ্পা, দেভিন্দর ৱালমিকিনি। ফোরৱার্দতা টালৱিন্দর সিংহ, এস ভি সুনিল, ললিত কুমার উপাধয়, নিক্কিন টিম্মাইয়াহ অমদি অফান য়ৌসুফনি।

# সরাপোভানা লাস ভেগাস এক্সিবিসন ইভেন্টদা শান্নগনি

লাস ভেগাস, ওক্টোবর ০৬ :

অথিংবা থমখ্রবা দ্রগ শিজিন্নে হায়বগী মরালদা শান্নবা য়ারোই হায়দুনা অথিংবা থমখিবগী মতম তেনশিলহনখ্রবা রসিয়াগী মারিয়া সরাপোভানা থা অসিগী ১০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লাস ভেগাস এক্সিবিসন ইভেন্টদা শান্নরগদৌরি।

মারিয়া সরাপোভাবু চহী ২ গী অথিংবা থমখিবদগী হন্দক্তা অথিংবা অদু থা ১৫ দা হন্থহনখিবনি।

মারিয়া সরাপোভানা মহাক্কী অথিংবা থমখিবা মতম হন্থহনখ্রবা মতুং মথংগী চয়োলদা লাস ভেগাসতা পাঙথোক্কদবা এক্সিবিসন ইভেন্টদা শরুক য়াদুনা টেনিস শান্নবা উরগনি হায়বগী কনফার্ম য়ুমশকৈশা নুমিৎতা তৌখি।

সরাপোভানা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেসরস পেলেসতা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড টিম টেনিস স্মাশ হিটস ইভেন্টতসু শান্নগনি। ইভেন্ট অসি বিল্লি জীন কিং অমদি ইল্টন জোনন্না হোষ্ট ওইগনি। ইভেন্ট অসি ইল্টন জোন এইদস ফাউন্দেসন্না শিনবনি।

সরাপোভানা হায়খি, ঐনা কোর্টতা হল্লক্কদবা অসিদা অপেনবা পোকই। ঐনা মতম কুইনগী মমাঙদগী বিল্লি অমদি ইল্টনগী ইভেন্ট অসিদা শান্ননিংবগী অপাম্পা ফাওদুনা লাকখিবনি। অদুবু লাক্কদৌরিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নবা ফংগদবা অসিগীদমক ঐঙোন্দা অপেনবা অমদি চাউথোকচবা পোকই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

রসিয়াগী ষ্টার অসিনা টেনিস শান্ননবগী ৱারেপ লৌরকখিবা অসি মহাকপু থা ২৪ দ্রগ শিজিন্নখিবগীদমক অথিংবা থমখ্রবা মতুং থা ১৫ দা অথিংবা অদু হন্থহনখিবদগী ওইরকখিবনি।



সরাপোভানা মেলদোনিয়ম দ্রগ শিজিন্নরম্বগীদমক অথিংবা অদু থমখিবনি। মহাক্কী অথিংবা অদু কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সি এ এস) না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থা ১৫ দা হন্থহনখি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবী সরাপোভানা মেলদোনিয়ম দ্রগ অসি মহাক্কী অনা-লায়েংগীদমক চহী ১০ চূপ্পা শিজিন্নদুনা লাকখিবদা নত্তনা মহাক্না মহাক্কী হার্টকী অনাবা অমদি মেগনিসিয়ম ৱাৎপগীদমক মেলদোনিয়ম দ্রগ শিজিন্নবনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না দ্রগ অদু শিজিন্নবদা থোইদোকপা চেকশিল্লুবা লৈখিদে। মরমদি দ্রগ অদু ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) গী অথিংবা থমখিবা দ্রগকী লিষ্টতা য়াওখিদে। অদুবু ৱাদানা চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী ১ দগী দ্রগ অসি অথিংবা থল্লবা দ্রগশিংগী মনুংদা চনশিনখি। অথিংবা থমখ্রবা লিষ্টকী মনুংদা য়াওখ্রবা মতুং ইকুই কুইদনা সরাপোভানা দ্রগ অসি শিজিন্নরম্বগী পোজিটিব ওইবা থেংনখিবদগী অথিংবা মায়োক্লখি।

সি এ এসনা মহাক্কী অথিংবা হন্থহনখিবা অদুনা তাক্লিবদি সরাপোভানা মথং চহীগী এপ্রিল থাদা টেনিস শান্নবদা শুংশোয় শোয়দনা হল্লকপা ঙল্লগনি হায়বদু তাকপনি।

মথংগী চয়োলদসু সরাপোভানা নেভাদাদা পাঙথোক্কদবা ইভেন্টদা জোন মেকইনরো, এন্দি রোদ্রিক, মার্টিনা নভ্রাটিলোভা, মার্দি ফিশ অমদি মার্ক ফিলিপ্পৌসিসনা শান্নগদৌরিবা অদুদা য়াওগনি।

## ভাম্ব্রিনা সিঙ্গলস অমসুং দবলস মেচতা মায়থীহৌরে

ষ্টোক্টন (য়ু এস এ), ওক্টোবর ০৬ :

য়ুকি ভাম্ব্রিনা মফম অসিদা চথরিবা দোল্লর ১০০,০০০ মেন'স চেল্লেঞ্জরস টেনিস টুর্ণামেন্টকী সিঙ্গলস অমসুং দবলসকী মেচতা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

টুর্ণামেন্ট অদুগী সিঙ্গলসকী মেচতা য়ুকিনা য়ু এস এগী দেনিএল ঙুয়েনগা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবদা সেট অহুমদা মায়থীখি। মহাক্না থা ৬ চূপ্পা খুনিংগী অনাবা লৈখিবদগী শান্নদনা লাকখ্রবা মতুং টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা অনীশুবসু ওইখি।

চৈরক অসিদা ইন্দিয়াগী দেভিস কপতা নৌনা য়াওরকখিবা সুমিট নদালনা স্লোভেনিয়াগী দেভিদ গোর্সিকপু হঙ্গেরিদা পাঙথোকখিবা দোল্লর ২৫,০০০ আই টি এফ ফ্যুচর ইভেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

চেল্লেঞ্জরস টুর্ণামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী দেনিএল ঙুয়েননা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিবু ২-৬, ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীরমখি। টুর্ণামেন্ট অদুগী দবলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেট্ট রেইদ অমদি জোন-পেট্রিক স্মিথনা য়ু এস এগী জোন পাউল ফ্রুট্টেরো অমদি ইন্দিয়াগী ভাম্ব্রিবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীরমখি।

হঙ্গেরিদা পাঙথোক্লিবা আই টি এফ মেন'স টুর্ণামেন্টকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সুমিট নদালনা স্লোভেনিয়াগী দেভিদ গোর্সিকপু ৬-০, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি।

# ইন্দিয়ন মেন'স জুনিয়র টিমনা ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়া থন্দরষ্টিক্সপু মায়থীবা পীখিদুনা মখোয়গী পুলদা মকোক্তা লৈখ্রে



পার্থ, ওক্টোবর ০৬ :

ইন্দিয়াগী মেন'স হোকি টিমনা মফম অসিদা চথরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন হোকি লীগ (এ ঐচ এল) কী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা পুল বিগী মেচতা ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়া থন্দরষ্টিক্সপু ৩-১ দা মায়থীবা পীখিদুনা চথরিবা টুর্ণামেন্ট অসিদা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা ইন্দিয়ন জুনিয়র টিমনা চঙশিনখিবগা লোয়ননা মখোয়গী পুলদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অমদি ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমনা অমগা অমগা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখি। টিম অনীমক্না মেচকী অহানবা ক্বার্টরদা মখোয় মখোয়গী মায়োক্ল খিবা সাইদশিংদা অকনবা এটেকশিং তৌনখ্রবসু মিদফিল্ডদগী হেন্না চঙশিন্নবা ঙমখিদে। থন্দরষ্টিক্সনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা মনম-মনম তকশিনখিবদগী ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংনা দিফেন্সতা ওইনা শান্নখিদুনা থন্দরষ্টিক্সপু থিংনবা হোৎনরকখি। ইন্দিয়ন টিমনা থিংনবা হোৎনরকখ্রবসু থন্দরষ্টিক্সনা মখা তানা চঙশিনখিবা এটেক্তা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। পেনালটি কোর্নর অদু ভিকাস দাহিয়ানা নিংথিনা সেভ তৌখিদুনা গোল চলহনখিদে। ইন্দিয়াসু গোল চন্নবা এটেম্প তৌবা লেপখিদে।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমনা মায়োক্লখিবা থন্দরষ্টিক্সকী মায়কৈদা অকনবা প্রেসরশিং পীদুনা শান্নরকখি। ইন্দিয়াগী এটেক অমদা সুমিটনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। ইন্দিয়ানা মখা তানা থন্দরষ্টিক্সকী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেকশিং তৌখিবনা থন্দরষ্টিক্সনা দিফেন্সতা ওইনা শান্নরকখি।

ইন্দিয়ানা মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। পেনালটি কোর্নর অদু ভারুন কুমারনা মেচকী মিনিট ৩৯ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি। গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা ইন্দিয়াগী এটেক্তা পেনালটি কোর্নর অমসু অমুক ফংখি। মদুদা ভারুন্না গোল ওন্থোকখিদুনা ইন্দিয়ানা ৩-১ দা লৈখি। মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা থন্দরষ্টিক্সনা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়াগী মখুৎতা ১-৩ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

# ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিং আই সি সি রেঙ্কিংদা ফীভম ফনা লৈবা ঙমখ্রে



দুবাই, ওক্টোবর ০৬ :

ইন্দিয়ানা ইদেন গার্দেন্সতা শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেচতা ন্যু জিলেন্দবু রন ১৭৮ দা মায়থীবা পীখিবদা চাউনা মতেং পাংখিবা রোহিৎ শর্ম্মা, ৱিধিমান সহা অমদি ভুবনেশ্বর কুমারনা মখোয় মখোয়গী হান্না লৈরম্বা মফমদগী কাখৎনা লৈখিদুনা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) গী নৌনা থোকখিবা টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা অৱাংবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দ অনীগী অনীশুবা টেষ্ট মেচ অদুগী ইন্নিংস অনীমক্তা হাফ সেঞ্চুরি লৌখিবা ইন্দিয়াগী ৱিকেট কিপর ৱিধিমান সহানা হান্না লৈরম্বা মফমদগী ১৮ কাখৎলগা ৫৬ শুবা রেঙ্কিংদা লৈবা ঙমখি। অদুগা টিমমেট রোহিৎনা অনীশুবা ইন্নিংসতা রন ৮২ লৌদুনা ন্যু জিলেন্দগী বোল্লরশিংদা অকনবা চেল্লেঞ্জ তৌখিবা অদুনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী ১৪ হায়গৎলগা ৩৮শুবা মফমদা লৈবা ঙমখি।

টেষ্ট মেচ অহুমগী সেরিজ অসিগী অনীশুবা টেষ্ট ফাওবদা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙম্বা মিদল ওর্দর বেটসমেন চেটেশ্বর পুজারানা হান্নদগী মফম অমা হায়গৎলগা ১৫ শুবা মফমদা লৈবা ঙমখি। ওপনর বেটসমেন মুরালি ভিজেনা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিদবদগী হান্না লৈরম্বা মফমদগী মঙা কুমথরগা ২১শুবা রেঙ্কিংদা লৈখি।

অমরোমদা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন লুক রোঞ্চিনা হান্নদগী মফম ১২ কুমথরগা ৪০শুবা মফমদা লৈখি অদুগা টোম লাথমনা মফম অহুম কাখৎলগা ৩৩শুবা মফম কনবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন ষ্টেভ স্মিথনা বেটসমেনশিংগী লিষ্টতা মখা তানা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। ইংলেন্দগী জো রুটনা অনীশুবা মফমদা অমদি কেন ৱিল্লিয়মসন্না অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে।

আই সি সিগী টেষ্ট বোল্লরশিংগী লিষ্টতা ইন্দিয়াগী পেসর ভুবনেশ্বর কুমারনা ন্যু জিলেন্দগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেচতা ৱিকেট মঙা লৌদুনা মায়োক্লখিবা টিমবু মায়থীবা পীবদা চাউনা মতেং পাংখিবদগী হান্নগী মফমদগী মাপন কাখৎলগা ২৬শুবা রেঙ্কিংদা লৈখ্রে। মহাক্কী পার্টনর মোহমদ শামিনা হান্নদগী মফম অনী কাখৎলগা ২৩শুবা মফমদা লৈখি। ওল রাউন্দর রভিন্দ্রা জাদেজানা হান্নদগী মফম অমা হায়গৎলগা ৬শুবা রেঙ্কিংদা লৈখি। স্পিনর রভিচন্দ্রন অশ্বিননা হান্নদগী মফম অমা হায়থরক্তুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি।

ন্যু জিলেন্দগী ফাষ্ট বোল্লর মেট হেনরিনা মফম ১৬ হায়গৎলগা ৬১শুবা মফমদা লৈখি অদুগা মহাক্কী পার্টনর ট্রেন্ট বাউল্ট মফম অমা কাখৎলগা অমদি নেশ ৱেগনরনা মফম অমা কুমথরগা মথংশিংনা ৯শুবা অমদি ১০শুবা মফমদা লৈখি। সাউথ অফ্রিকাগী ভেটরান দেল ষ্টেননা মখা তানা বোল্লরগী লিষ্টতা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে অদুগা ইংলেন্দগী জেমস এন্দরসন্না মফম অমা কাখৎলগা অনীশুবা অমদি অশ্বিননা মফম অমা কুমথরগা অহুমশুবা মফমদা লৈখি।

ওল রাউন্দরগী লিষ্টতা জাদেজানা হান্না লৈরম্বা মফমদগী অমা কুমথরগা মরিশুবা মফমদা লৈখি অদুগা অশ্বিননা মখা তানা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি।

# আই এস এল ২০১৬ : এথলেটিকো দি কোলকটানা কেরালা ব্লাষ্টর্সপু মায়থীবা পীখ্রে

কোচি, ওক্টোবর ০৬ :

জাভি লরাগী গোল অমনা এথলেটিকো দি কোলকটানা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী মঙাশুবা মেচতা কেরালা ব্লাষ্টর্সপু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

চথরিবা লীগ অসিগী অহানবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা কেরালা ব্লাষ্টর্সনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী মখুৎতা ০-১ দা মায়থীহৌখি অদুগা অনীশুবা মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স চেন্নাইয়িন এফ সি অমদি এথলেটিকো দি কোলকটা অনীনা ২-২ দা দ্রো চৎখিবনি।

কেরালানা য়ুম্ভু ওইদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মখোয়গী কোচ ষ্টেভ কোপেলনা মখোয়গী অহানবা মেচতা মায়থীখিবা অদুদা য়াওখিবা প্লেয়র মঙাখক্তমক খনগৎতুনা এথলেটিকো দি কোলকটাগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা এলেভেন টিমদা য়াওহনখি। অদুগা এথলেটিকো দি কোলকটাগী কোচ জোস মোলিনা মখোয়গী অহানবা মেচতা শান্নবা য়াওখিবা প্লেয়র অনী লৌথোক্তুনা অনৌবা প্লেয়র অনী হাপচিন্দুনা শান্নহনখি।



লীগ অসিগী মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সিজন অদুদা কেরালা ব্লাষ্টর্স অমদি এথলেটিকো দি কোলকটা অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবদা কোলকটানা ৩-২ দা কেরালা ব্লাষ্টর্সপু মায়থীবা পীখিবনি।

টিম অনীমক্না মমাঙদা ফংখিবা মখোয়গী মেচশিংদা মায়থীখিবা অমদি দ্রো চৎখিবা অদুনা ফুল পোইন্ট ফংবা ঙমখিদবা অদু য়েংলগা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা এথলেটিকো দি কোলকটানা য়াম্না টেম্পো লৈনা শান্নরকখি। মখোয়না কেরালা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা জাভি লরানা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মখা তানা এথলেটিকো দি কোলকটানা ওপোনেন্টকী সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক্তা গোল চনবা ঙমদনা লৈখি। কেরালা ব্লাষ্টর্সসু গোল হন্দোক্লবা মেচকী অরোইবা পুংফম ফাওবা তকখৎখ্রবসু গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী এথলেটিকো দি কোলকটাগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

# এন্দি মরে, দেভিদ ফেরর, এঞ্জেলিগ কার্বর, পেট্রা কভিটোভানা চিনা ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে





বৈজিং, ওক্টোবর ০৬ :

অগনিজস্কা রাদৱানস্কানা মফম অসিদা চথরিবা চিনা ওপনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

নোং চুবদগী থেংথনা শান্নখিবা মেচ অদুদা অহুমশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা রাদৱানস্কানা ৱোজনিয়াক্কিবু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা থংন-থংননা অনীরকশুবা ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবসু ঙমখি।

মেচ অদুদা রাদৱানস্কানা ৱোজনিয়াক্কিনা তৌরকখিবা সার্ভ অহুম্লক নক্কৎখিদুনা মেচ অদু মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা বৃটেনগী জোহান্না কোন্টানা ৪-১ দা য়ু এস ওপনগী ফাইনেলিষ্ট কারোলিনা প্লিস্কোভাদগী মাঙজিল থানা লৈরিঙৈ চৈরক্তা নোং চুরকপদগী শান্নবা অদু লেপখি। হৌজিক রেঙ্ক ১৪শুবদা লৈরিবা কোন্টানা টোপ টেনগী মনুং চন্ননবা মিৎয়েং থমদুনা লৈরিবনি।

ওপন অসিগী নুপা সিঙ্গলসকী মেচতা বৃটেনগী এন্দি মরেনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা এন্দ্রে কুজনেটসোভপু ৬-২, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মরেনা মেচ অদুদা নহা ওইরিবা প্লেয়র এন্দ্রে কুজনেটসোভপু য়াম্না লাকচনা তৌদুনা মায়থীবা পীখি। অহানবা গেমদা রেঙ্ক ৪৯ শুবদা লৈরিবা রসিয়ন অসিনা মরেগী সার্ভ অদু নক্কৎখি অমদি মেচ অদুগী অহানবা পোইন্ট লৌবা ঙমখি।

অহানবা সেট অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর টু অসিনা অতোপ্পা সার্ভ অমসু দ্রোপ তৌখি অদুগা অনীশুবদা অমগা তৌখি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা রসিয়নবু মরেনা মায়থীবা পীবদা মিনিট ৭৬ চঙখি।

নুপীগী মেচতা টোপ সীদ এঞ্জেলিগ কার্বরনা বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ৬-৩, ৭-৬ (৭/৪) দা মায়থীবা পীদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মেচ লোইরবা মতুং কার্বরনা হায়খি, ঐনা মেচ অদুদা গ্রী-গ্রী তক্লা শান্ননবা হোৎনখি। মসিনা ঐগী মায়োক্লরিবা লম্বা অদুবু মায়থীবা পীবদা চাউনা মতেং ওইনবগী থৌরাং তৌখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবী জর্মন অসিনা মথংগী রাউন্দদা মশাগী চহী ২২ খক্তা ঙাইহৌরিবী উক্রেনিয়ন ইলেনা সভিটোলিনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। ইলিনা সভিটোলিনানা সাভিন লিসিক্কিবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিল্লকখিবনি।

মাপনশুবা রেঙ্কতা লৈবতা নত্তনা মশাগী চহী ২১ শুরবগী অমেরিকাগী মেদিসন কিজনা গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবী মশাগী চহী ৩১ শুরবী সভেটলানা কুজনেটসোভাবু ৭-৬ (৭/২), ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

অমেরিকান অসিনা ওপন অসিগী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমদুনা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোক্কদবা প্লেয়র নিপানগী দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলদা অহানবা ওইনা চঙবা ঙম্ননবা মঙলান শাগত্তুনা লৈরিবনি।

মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা পেট্রা কভিটোভাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

সিঙ্গাপুরগী ক্কালিফাই ওইননবগী আশা তৌরিবী বৃটেনগী জোহান্না কোন্টানা টিমিয়া বাহোসপু ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা খুমাঙ চাউশিনখি।

নুপাগী অতোপ্পা মেচতা মশাগী চহী ২১ খক্তা ঙাইরিবা বৃটিশকী ক্কালিফাইয়র কেলে ইদমুন্দনা রোবার্টো বাউটিষ্টা ওগটপু ৬-৪, ৪-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

চৈরক অসিদা জর্মনগী টিনেজর অলেকজেন্দর জেভেরেভনা অমেরিকাগী জেক সোকপু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। জেভেরেভনা মথংগী রাউন্দদা রেঙ্ক ১৩শুবদা লৈরিবা ভেটেরান দেভিদ ফেররগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

জেভেরেভনা ৱর্ল্ড নম্বর থ্রিদা লৈরিবা ষ্টান ৱারিঙ্কাবু সেন্ট পিটরসবার্গতা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা কেরিয়র টাইটল লৌখিবা চয়োল অনীগী মতুংদা চিনা ওপনগী অহানবা রাউন্দদা ৱর্ল্ডগী নম্বর টেনদা লৈরিবা দোমিনিক থিয়েমবু মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ২২শুরবী কারোলিন কার্সিয়ানা লোকেল ফেভোরাইট অমদি মশাগী চহী ৩০ শুরবী পেঙ শুআইবু ৬-৩, ৩-৬, ৭-৬ (৭/৪) দা মায়থীবা পীখি।